## দিফেন্স মিনিষ্টরদা অথিংবা থমখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
ক্যুবাগী রিভোল্যুসনরি আর্ম ফোর্সেসকী মিনিষ্টর লিওপোল্ডো সিন্ত্র ফ্রিয়াসতা অথিংবা কয়া থল্লে হায়না যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে। ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী এদমিনিষ্ট্রেসন শৌগৎপদা ক্যুবানা লৌখৎপা উখিবা খোঙথাংশিংদা মহাক্লা লৌখিবা থৌদাংগা মরী লৈননা সিন্ত্রগী মথক্তা অথিংবা থল্লিবনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## নেভিনা মীওই কয়া কনখ্রে

সিদনি, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
পাক শন্না লাম্মৈ চাক্লকপদগী অমাঙ-অতা থোক্লবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটকী সমুদ্র খোংবানদা লৈবা মালাকুতা টাউনদা লাংদা থুবগুম্না লাম্মৈনা লাঙ্গোই চন্দুনা লৈখ্রবা টুরিষ্ট অমসুং মফম অদুগী মীওই ১০০০ রোম ইরাই নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন নেভিনা রেস্ক্যু তৌখ্রে।
নেভিগী ভেসেলশিংনা মীওইশিং অদু নুমিৎ চুপ্পা অমা অচৌবা জহাজ অনীদা হোন্দুনা রেস্ক্যু তৌখিবনি হায়রি।

# প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ওর্দরদা চথখিবা এটেক্তা ইরানগী কুদস ফোর্সকী চীফ শিরে, টেহরান্না লমন খুমগনি হায়খ্রে




টেহরান, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ওর্দরদা যু এস ফোর্সনা বাঘদাদতা চথখিবা এটেক অমদা ইরানগী ইস্লামিক রেভোল্যুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সী)গী এলিট কূদস ফোর্সকী মকোক জেনরেল কাসেন সোলৈমানি শিখ্রে। যু এসকী খোঙথাং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াতোলাহ সয়েদ অলি খামেনৈনা ৱাশিংটনগী মায়োক্তা লমন খুন্বগী অকনবা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়খ্রে।
মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা যু এস ওফিসলশিংনা ইরানিয়ন কুদস ফোর্সকী মকোক সোলৈমানি দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দসনদি মহাক যু এসকী হেলিকোপ্টরশিংনা চথখিবা এটেক্তা শিখিবনি হায়খি।
খোঙথাং অদুগা লোয়ননা বাঘদাদতা লৈবা যু এস এম্বেসিনা অমেরিকান সিটিজনশিংদা খুদক্তা ইরাক থাদোক্লবা আপিল তৌখ্রে।
খামেনৈনেনা খুদক্তা সোলৈমানিগী দেপ্যুটি বৃগেদিয়র জেনরেল ইস্মাইল ঘানিদা কুদস ফোর্সকী মকোক্কী ফম শীন্নখি।
রেভোল্যুসনরি গার্দসকী ফোরেন আর্মনি হায়না হায়নবা কুদস ফোর্সকী লিদর ওইনা মশাগী চহী ৬২ শুরবা সোলৈমানিনা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা শোক্লরিবা লান্দা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। মহাক্কী লিচিং মখাদা চহী ২০ হেন্না ইরান্না মিদল ইষ্টদা মিলিটরি ইথিল পীদুনা লাকখিবনি।
আই আর জি সীগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সোলেমানি অমসুং হসদ সাবি নৎত্রগা ইরাক্কী পোপ্যুলর মোবিলাইজেসন ফোর্সেস (পি এম এফ) কী সেকেন্দ-ইন-কম্মান্দ অবু মহাদি অল-মুহান্দিস শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা বাঘদাদ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী লম্নীদা মখোয়না তোংদুনা চৎলিবা গাড়িদা টার্গেট তৌদুনা যু এসনা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক্তা শিখিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা বৃটেন্না মরী লৈনবা পার্টি খুদিংমক্তা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌখ্রে।

# সুদানদা মিলিটরি প্লেন কায়বদা মীওই ১৮ শিরে



খার্তুম, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমা শগোলশেল নুমিত্তা সুদানগী ৱেষ্ট দার্ফুর ষ্টেটতগী পাইখিবা মতুংদা কায়খিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না আর্মি স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।
সুদানিজ আর্মিগী স্পোক্সমেন অমের মোহমদ অল-হসননা ফোঙদোকখিবদা, এন্টোনোভ ১২ প্লেন অদু এল জেনৈনা এয়রপোর্টতগী পাইখৎখিবা মতুং মিনিট ৫ কান্নরগা কায়খিবনি। করিদগী ক্রাস অদু থোক্লিবনো হায়বদু লেপথোক্লবগীদমক হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।
মমাংদা প্লেন অদুনা ৱেষ্ট দার্ফুর ষ্টেটকী কেপিটেল সিটি এল জে নৈনাদা বেজ তৌবা সুদানিজ রেদ ক্রেসন্ট সোসাইটিগীদমক্তা মেদিকেল মেটরিএলশিং পুখিবনি। মিলিটিরি সোর্সকী মতুং ইন্না চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা প্লেন অদুনা ট্রাইবেলশিংগী অকনবা ইরাং লৈবা ৱেষ্ট দার্ফুরদা তেংবাংগী পোৎলম কয়া হোনখি। সুদানগী রেদ ক্রেসনগী মতুং ইন্না ইরাং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৮ শিখ্রে অমসুং ২৪১ না অশোক-অপন নংখ্রে।
খুৎলায় পায়বা কাঙবুশিংগী মরক্তা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা এল জেনৈনাদা খুৎ থোক্ল রকখি অমসুং মদু নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা চথখি। অরাব অমসুং অফ্রিকান গ্রুপশিংগী মরক্তা শোক্ল খিবা লান অদুদা যুম কয়াসু মৈ থাখি। সুদান্দা মমাংদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা এয়রক্রাসশিং ওইনা কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বরদা হেলিকোপ্টর অমা ফিক্স-ৱিং এয়রক্রাফট অমা কায়খ্রবনি।


# লিবিয়াগী ফিভমগী মতাংদা ট্রম্পনা ইর্দোগানগা ৱারী শানখ্রে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ তায়িপ ইর্দোগানগা লিবিয়া অমসুং অতৈ রিজনেল ইশ্যুশিংগী মতাংদা ফোনদা ৱারী শানখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।
হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিত্তা টর্কিগী মহাক্কী লেংমান্নবদা মপান্দগী খুৎ থিংজিনবগী ফিভম্না লানগী চৈথেং নংলবা লিবিয়াদা লেপ্তুনা অরুবা ফিভম অমা লৈহল্লে হায়খি। মীচমশিং ঙাক শেন্নবগীদমক্তা সিরিয়াগী ইদলিবতা লান লেপ্পবগী থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম লুচিংবা অনীনা ৱারী শানবদুদা য়ানখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।
টর্কিস পার্লিয়ামেন্টনা শগোলশেল নুমিত্তা লিবিয়াদা টর্কিস ট্রুপশিং চহী অমা দিপ্লোই তৌনবগী ওথোরাইজেসন পীবা মোসন অমা এপ্রুভ তৌখি।
অদুগুম্বা খোঙথাংনা টর্কিস লান্মীশিংদা খুদোংথিংবা কয়া মায়োক্লহনগনি হায়না ওপোজিসন পার্টি খরনা অকনবা ৱার্নিং পীবা লৈনা লৈনা পার্লিয়ামেন্টনা মোসন অদু এগ্রুভ তৌখিবনি।
লিবিয়াদা কুমজা ২০১৪ দগী রাইভেল গভর্নমেন্ট অনীগী সপোর্টরশিংগী মরক্তা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখিবনি। রাইভেল গভর্নমেন্টশিং অদুদি কেপিটেল ত্রিপোলিদা বেজ তৌবা যু এন্না শৌগৎপা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনল একোর্দ (জি এন এ) অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন সিটি তোব্রুক্তা বেজ তৌবা খালিফা হাফটরনা লুচিংবা মশানা লাউথোকচখিবা লিবিয়ন নেসনল আর্মি (এল এন এ)গা মীচং চুংশিন্নবা এদমিনিষ্ট্রেসন্নি।
টর্কি অমসুং মসিগী মীচং কর্টরনা ত্রিপোলিদা লৈরিবা ফয়েজ অল-সরাজনা লুচিংবা জিন এন এ শৌগৎলি অমসুং মখোয়গী রাইভেলশিং ওইরিবা যুনাইটেদ অরাব এম্মিরেটস, সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইজিপনা এল এন এ শৌগৎলি।

# ইজরেলগী মিলিটরি মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈখ্রে

জেরুসলেম, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
যু এসনা ইরানিয়ন কম্মান্দর কাসেম সোলৈমানি হাৎখ্রবা মতুং ইরাই নুমিত্তা ইজরেলনা লৈবাক অসিগী মিলিটরি মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নেটনহুগী মপানগী খোঙচৎ তেনশিনখ্রে হায়রি। যু এসগী খোঙথাং অদুবু লমন খুমগনি হায়না ইরান্না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রবনি।
মিদল ইষ্টদা অমেরিকাগী খ্বাইদগী নক্লবা মীচং ওইরিবা ইরানগীনা খ্বাইদগী হেন্না য়েংথিন্নবা ওইরিবা ইজরেলনা বাঘদাদতা যু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথদুনা এলিট কুদস ফোর্সকী চীফ সোলৈমানি অমসুং ইরাক্কী মিলিস্যা কম্মান্দর অবু মহাদিস অল-মুহানদিস হাৎখিবগী মতাংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা লৈবাক অসিগী মিলিটরি মীৎকুপ নাহুম শিংন্না লৈহনখিবনি। নেটনয়াহুগী সিক্যুরিটি কেবিনেটকী মেম্বরশিংদা মীহাৎশিং অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনবা খঙহনখি হায়রি।
মদু লমদম অদুদা লৈরিবা ইরানগী প্রোক্সিশিং অমসুং মীচংশিংনা খুৎ হল্লক্তনবা হোৎনবগী থৌরাং অমনি হায়না ইজরেলি মিদিয়ানা ফোঙদোক্লখি। লমদম অদুদা লৈরিবা ইজরেলগী মায়োক্তা তাথিবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা য়ারিবা ইরানগী প্রোক্সিশিং অমসুং মীচংশিংগী মনুংদা টেহরান্না বেক্কিং পীবা লেবানিজ মুভমেন্ট হেজবোলা অমসুং পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট গ্রুপশিং হমাস অমসুং গজাদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিক জিহাদ য়াওরি।
ইজরেলগী দেপ্যুটি ফোরেন মিনিষ্টর জাচি হনেগবিনা ফোঙদোকখিবদা, যু এসনা রেইদ চথদুনা বাঘদাদতা ইরানিয়ন মিলিটরি কম্মান্দর অমসুং ইরাক্কি মিলিস্যা লিদর হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্টরভিয়ু অমত্তা পীদনবা কেবিনেটতা ইন্সত্রক্সন পীরক্লে। হৌজিক্কী ফিভম অসিদা কান্নদবদা ইজরেলগী প্রোব্লেমশিং হেন্না লুশিলহন্দনবা হোৎনবনা খ্বাইদগী অফবা থৌরাং ওইগনি হায়না ইজরেলগী চেনেল ১২ ন্যুজকী চীফ পোলিটিকেল এনালিষ্ট দানা ৱাইসনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন লোমেকর য়াইয়র লাপিদনদি রেইদ অদুগীদমক্তা ট্রম্পপু থাগৎখি।



# যু এসকা পিছ দিল সাইন তৌনবগা টালিবানগী ইরাং নেম্লগনি



কাবুল, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
টালিবানগা যু এসকা পিছ দিল অমা খুৎয়েক পীনবগা অফঘানিষ্টান্দা হাৎ-তুপ্পা অমদি মাঙহন তাকহনবগী থবক থৌরাংশিং হন্থরগনি হায়না থাজবা য়াবা সোর্স খরনা ফোঙদোকখ্রে।
হন্দক্তা লানগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা এটেক কয়া চথরকখিবা লৈরিঙৈদা সোর্সশিং অদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
টালিবানগী মায়কৈদগী ইরাং হন্থগদৌরিবা অদুদা মরু ওইবা সিটিশিংদা সুইসাইদ এটেকশিং চথবা লেপ্পা অমদি মরু ওইবা হায়ৱেশিং থিংবা লেপ্পগী ৱাফমশিং য়াওই হায়না শগোলশেল নুমিত্তা সোর্সশিং অদুগী ৱাফমশিং পল্লদুনা তোলো ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়খি।
হান্না গ্রুপ অদুদা য়াওরম্বা মীশক অমা ওইরিবা মৌলানা জলাউদ্দিন সিনৱারিনা হায়খি মদুদি, টালিবানগী মায়কৈদগী সীজফায়রগী ৱাফম য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। অদুমওইনমক ইরাং নেমথহনবগী মতাংদা মপুং ফাদবা ওইরবসু এগ্রীমেন্ট অমদি পুরক্লে। ইশ্যু অসিগী অরোইবা ৱারেপ অদু টালিবানগী লিদরনা লাউথোক্কনি।
ইরাং নেমথনবা তৌবা হায়বসিদা অচৌবা এটেকশিং লেপ্পগা লোয়ননা টালিবান্না দিষ্ট্রিক্টশিং পায়শিন্নবা হোৎনদবা অমদি মরু ওইবা হায়ৱেশিং থিংবা তোকপগী ৱাফম য়াওরি হায়না অতোপ্পা হান্নগী মেম্বর অমনসু ফোঙদোকখি। টালিবানগা ৱারী শান্নবগী প্রি কন্দিসনশিং ওইনা অফঘান গভর্নমেন্টনা ইরাং হন্থহনবা অমসুং সীজফায়র পুরকপগী ৱাফম চেকশিন্না থমখিবনি। যু এস অমসুং টালিবানগী মীহুৎশিংনা অথুবা মতমদা উনরগনি হায়না সোর্সশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।
অফঘানিষ্টানগী মতম শাংলক্লবা ক্রাইসিস অদুগী মতাংদা সেট্লমেন্ট অমা পুরক্লবা হোৎনরদুনা যু এস টালিবানগী মরক্তা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী ওক্তোবরদগী দোহাদা ৱারী শান্নরকখিবনি। তৌইগুম্বসুং টালিবান্না কাবুলদা কার বোম এটেক অমা চথদুনা অমেরিকান লান্মী অমা য়াওনা মীওই ১০ শিহনখিবদগী ৱারী শান্নবদু হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা লেপখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর প্লিনরি মীটিংগী ফোটোদা য়াওদ্রে



সিওল, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী রুলিং পার্টিগী মরু ওইবা মীফম অমগী ফোতো সেসন্দা লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর রি য়োং-হো য়াওবা উখিদ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা সিওলদা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।
নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা রুলিং পার্টিগী মীফমগী ফোটোদা লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর য়াওবা উদবা অসিনা মহাক্কী মহুৎ শিনবা অমা প্যোংয়াংনা খনখ্রবা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে হায়রি।
ৱার্করস পার্টিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ওইবা নুমিৎ মরিনিগী প্লিনরি মীটিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা মরু ওইবা দোমেষ্টিক অমসুং দিপ্লোমেটিক ইশ্যুশিংগী মতাংদা পোলিসি দিরেক্সনশিং খন্ন-নৈনখি হায়না য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।
মীফম অদুগী মনুংদা পার্টি লিদরসিপগী মরক্তা মরু ওইবা রিসফল অমসু পাঙথোকখি। মীফমগী থৌরম লোইবদা লৌখিবা গ্রুপ ফোটোদা ফোরেন মিনিষ্টর রি য়াওবা উখিদে হায়না সাউথ কোরিয়ন যুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিগী দেপ্যুটি স্পোক্সপর্সন কিম ঈয়ুন হাননা মিদিয়াদা ফোঙদোকখি।
মহাক্কী পোজিসন্দা অহোংবা লাকখ্রবা হায়বগী মতাংদা ঐখোয়না মোৎ পীবদা চেকশিনবা অমদি মতম খরা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।
সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন অমনি হায়না খঙনবা রি সু-য়োংসু ফোটো অদুদা য়াওবা উখিদে। পার্টিগী মীফম অদুগী রিজল্টশিংগী মতাংদা পীবা রিপোর্টতা নোর্থকী ষ্টেট মিদিয়ানা হায়খি মদুদি, কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন মফম লৌথোকখ্রে নৎত্রগা মহাক অতোপ্পা ফম অমা শীন্নখ্রে। তৌইগুম্বসুং কনানা রিগী মহুৎ শীন্দুনা কম্মিটিগী ভাইস চ্যেরমেন হাপখ্রবগে হায়বদুদি রিপোর্ট অদুদা পনখিদে।

# লৈবাক অহুম্না ইষ্টমেদ গ্যাস পাইপলাইনগী দিল সাইন তৌনখ্রে



এথেন্স, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
সাউথ ইষ্টর্ন মেদিটেরিনিয়ন লমদমদা লৈবা অনৌবা ওপসোর দিপোজিটতগী কন্টিনেন্টেল যুরোপতা গ্যাস পুননবা সমুদ্র মনুংদা পাইপলাইন অমা শান্নবগী দিল অমা গ্রীস, ইজরেল অমসুং সাইপ্রসনা শগোলশেল নুমিত্তা খুৎয়েক পীনখ্রে।
কিলোমিটর ১৯০০ শাংগদবা ইষ্টমেদ পাইপলাইন অদুনা ইনর্জি কা হেন্না শীজিন্নরিবা যুরোপকী হান্নদগী লৈরক্লবা গ্যাস লাকফমশিংগা মান্নদবা অতোপ্পা সোর্স অমা পীরগনি। হান্নদি যুরোপনা গ্যাসকী মতাংদা রসিয়া অমসুং কোকেসস রিজনগী মপান তাংদুনা লাকখিবনি।
দিল অদুবু খুৎয়েক পীনবগী থৌরমদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অমসুং সাইপ্রসকী প্রসিদেন্ট অনাতাসিয়াদেজ কা শরুক য়ামিন্নখি। গ্রীসকী প্রাইম মিনিষ্টর ক্রিয়াকোস মিটসোতাকিসনা হায়খি মদুদি, পাইপলাইন অদুনা যুরোপ্তা থাজনিংঙাই ওইবা অমদি হেন্না শিন্দোক শিঞ্জিন য়াগদবা মওংগী ইনর্জি সোর্স অমা পীরগনি।
পাইপলাইন অদু ইজরেলগী লেভানটাইন বেসিন ওফসোর গ্যাস রিজার্ভতগী হৌরগা সাইপ্রস, গ্রীক ইথৎ ক্রেট অমসুং গ্রীক মেনলেন্দ য়ৌগদৌরিবনি।
নোর্থৱেষ্টর্ন গ্রীস য়ৌবা ওভরলেন্দ পাইপলাইন অমা অমসুং অতোপ্পা সমুদ্র মনুংদা লৈহনগদবা পাইপলাইন অমনা ইটালিদা গ্যাস পীগনি। প্রোজেক্ট অদুদা সাইপ্রস অমসুং গ্রীসকী ঈশিংগী শরুকশিংদা তুংদা গ্যাস থিবগী থবকসু পায়খৎকনি। দোলর বিলিয়ন ৬ কী বজেট লৈবা প্রোজেক্ট অদুনা যুরোপিয়ন যুনিয়নগী তঙাইফদবা নেচরেল গ্যাসকী অপুনবা চাংগী চাদা ১০রোম থুংহনবা ঙমগনি হায়না থাজনরি। তৌইগুম্বসুং থৌরাং অসিদা পোলিটিকেল অমসুং লোজিষ্টিক্তক্কী ওইবা অরুবা ৱাফম খরদি লৈ হায়না লৌনরি।
সাউদর্ন মেদিটরিনয়ন ওফসোর ইনর্জি দিপোজিটশিং ক্লেম তৌনবা হোৎনবগী লমজেলনা গ্রীস অমসুং সাইপ্রসনা নাকল অমা ওইরগা টর্কিগা উংখৎনবগী ফিভম অমা লাকহনখিবনি।

# রোকেট কাপশিল্লকপদগী লিবিয়াগী কেপিটেলদা ফ্লাইট লেপহনখ্রে



ত্রিপোলি, জন্যুৱারি ০৩ (এজেন্সি) :
রোকেট কয়া নক্লনা তাশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ইরাই নুমিত্তা লিবিয়াগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা মথৌ তৌরিবা এয়রপোর্টতা ফ্লাইটশিং মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা লেপহনখ্রে হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।
টর্কিগী পার্লিয়ামেন্টনা লিবিয়াদা টর্কিস ট্রুপশিং দিপ্লোই তৌবগী থৌরাং অমা এপ্রুভ তৌবা নোংমা কান্নরগা মিতিগা এয়রপোর্ট থিংজিনবগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি।
টর্কিগী খোঙথাং অদুনা নোর্থ অফ্রিকাগী লৈবাক অদুদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ইরাং হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা অমা লাকহনখি। মিলিটরি কম্মান্দর খালিফা হাফটরনা লুচিংবা ইষ্টর্ন বেজ ফোর্সশিংনা হৌখিবা এপ্রিলদগী লিবিয়াগী মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্টগা মীচং চুংশিন্নরিবা ফোর্সশিংদগী ত্রিপোলি মুন্নবা কেম্প্যেন অমা চথরকখিবনি।
ওফেন্সিপ অদু য়াম্না থুনা সিটি অদুগী চিদাইদা লেপখিবা ওইরবসু মদুনা মরম ওইরগা কনফ্লিক্ট অদুদা মালেমগী পৱার কয়ানা খুৎ থিংজিল্লকপগী চাং হেনগৎলকখি। সেল কয়া কাপশিল্লকপগা লোয়ননা এয়রষ্ট্রাইকশিং চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইদুনা মিতিগা এয়রপোর্ট অসি হৌখিবা চহী খরা অসিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না থিংজিনবা অমদি নৌনা অমুক হাংবগী থৌওংশিং চথদুনা লাকখিবনি।
থা অহুম্মখায়রোম থিংলুরবা মতুংদা হন্দক্তসু দিসেম্বর ১২ দা নৌহৌননা অমুক হাংখিবনি। এয়রপোর্ট অদু থিংজিনখিবগা লোয়ননা ফ্লাইটশিং কেপিটেলদগী নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পা লৈবা মিশ্রতাদা দাইভরট তৌখ্রে হায়রি।
ইরাই নুমিত্তা এয়রপোর্ট অদুবু মথৌ লেপহনখিবা রোকেট এটেক অদু কনানা করম্না চথরক্লিবনো হায়বদু খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে। মমাংদা কুমজা ২০১৪ দা শোক্লখিবা লানদা ত্রিপোলিগী মরু ওইবা এয়রপোর্ট অসি অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা থিংজিনখিবনি।